### মেঘলয়া মাইন রেস্ক্যু ওপরেসন

# মখা চখৌ, থাজদবা অঙকপশিং থোকপা য়াইঃ সুপ্রিম কোর্ট

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১১ঃ*

মেঘলয়াগী মনূং হুঞ্জিনবা মফমদা আইননা য়াদবা কোইলা খোনি অমগী মনূংদা কুমথখিবা খোনী পেকপা শিন্মী ১৫ দিসেম্বর ১৩দগী হৌনা থোক্লকপা ঙমদনা লৈখিবদু কন্ননবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবদা সুপ্নগী শিন্মী অমখক ফাওবা ফঙবা ঙমখিদ্রবগী তুংদা মী থিবগী থবক অদু মখা তানা চত্থখিগদবনি। মরমদি থাজদনা অঙকপশিং থোকপা য়াই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে।



মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা আইননা য়াদবা খোনী অদুগী মনূংদগী মাইন্নর ১৫ অদু কন্ননবা চত্থরিবা থবক্তা ইন্দিয়ান নেভিনা রিমোর্টলি–ওপরেটেদ ভেহিকল (আর ও ভি) ৫ শিজিন্নরি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ঙসি খঙহনখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা খোনী অদুদগী ঈশিং লিটর ক্রোর অমা চিঙথোকখ্রে অদুবু অনকপা তুরেলশিংদগী চুমথরকপা ঈশিংনা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা খুদোঙচাদবা থোকহল্লি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জষ্টিসশিং–এ কে সিক্রি অমসুং এস অবদুল নজিরগী বেঞ্চতা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ মকোক অসিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মেঘলয়া গভর্ণমেন্টতা এক্সপার্টশিং তান্ননবা অমসুং ফুট ৩৭০ লূবা আইন্না য়াদবা খোনী মনূংদা লৈখ্রবা শিন্মীশিং অদু কন্ননবা মখাতাবা থবক চত্থনবা খঙহনখি।

নখোয়না কন্ননবা হোৎনরিবশিং অদু মখা চখৌ, কনানা খঙগনি, য়ামদ্রবদা মখোয় খরা নৎত্রগা লোয়নমক হৌজিক ফাওবা হিংলম্লবদি? থাজদনা অঙকপশিং থোকপনি হায়না বেঞ্চ অদুবু লূচীংলিবা জষ্টিস এ কে সিক্রিনা হায়খি।

আইননা য়াদবা খোনিশিং চল্লাইরিবা মীওইশিং অমসুং মদু চত্থবা য়াহল্লিবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা লৌখৎপা থবক্কী মতাংদসু ষ্টেটতা কোর্ট অসিনা হঙখি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী ষ্টেটস রিপোর্টতা খোনী অদু অরোনবা ওইনা চল্লাইবনা মদুগী ব্লুপ্রিন্ট লৈতে হায়না হায়খি।

খোনি অদুগী মনূংদা অনকপা তুরেনদগী ঈশিং য়ুথরক্লি অমসুং খোনী অদু লমদম অদুদা য়ামদ্রবদা অতে খোনী ২০গা অমগা–অমগা শন্নে। মফম অসি পব্লিক সাভিসশিং, ইনফ্রষ্টকচর অমসুং মথৌ তাবা মেটরিয়েল ইরাই লাইনা ফঙবা ঙমদবা খুদোঙ থিনীংঙাই ওইবা লম্মিৎ–তুমিৎ ওইবা রেস্ক্যু ওপরেসনশিং অদু য়ান্না শাথিনা শিংনবা অমা ওইরি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

নেভি, নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোস ফোর্স (এন ই আর এফ) ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোস ফোর্স(এস দি আর এফ), ষ্টেট ফয়ার সার্ভিস অমসুং অতৈ এজেনসি কয়াদগী য়ামদ্রবদা রেস্ক্যুয়র ২০০না মনূংদা লৈখ্রবা শিন্মীশিং অদু ফঙনবা হেক ঙম্বমখে হোৎনরি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মতশিংনা সুপ্রিম কোর্টকী মাংদা লাক্লিবা সোলিসিটর জেনরেল তুসারত মেহাতনা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুগীদমক লৌখৎপদা ওইথোক্লিঙাই ওইবা খোঙথাং লৌখৎলি অমসুং মথৌ তাবা ইক্যুপমেন্ট অমসুং মেনপৱার নোংথক লম্বীদা পুনবগীদমক ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা প্লেন অমসুং হেলিকোপ্তরশিং শিজিনখ্রে হায়না কোর্টতা হায়খি।

আইননা য়াদবা খোনি মনূংদা থোক্লকপা ঙমদনা লৈখ্রবা শিন্মী ১৫ কন্ননবা খুদক্তা অথুবা থবক লৌখৎনবা তকশিনখিবা অদিত্য এন প্রসাতনা থাংগৎখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং চত্থখি।

মেঘলয়াদা কোইলা খোনিগী থবক থিংবা অদু জষ্টিস (রিটয়ার) বি কে কতাকিনা লূচীংবা পেনেল অমনা পাকশন্না থুগাইবা থেঙনখ্রবগী তুংদা লমদম অদুগী ইনভারোমেন্ট অদু হঞ্জিলহন্নবা সেন্ট্রেল পোলুসন কন্ট্রোল বোর্টতা লূপা ক্রোর ১০০ দিপোজিট তৌনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা নেসনেল গ্রীন ট্রিবুনেল (এন জি টি)না খঙহনখ্রে।

# মফম লৌথোকখ্রবা অলোক বর্মা থবক তোকখ্রে, সি বি আই নম্বর ২ রাকেশ অস্থানাসু ফাগৎলবা য়ারি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১১ঃ*

ওফিসিয়েলশিংগী মনূং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরনা লূচীংবা সেলেক্সন কমিটিনা সি বি আই দাইরেক্টর ফমদগী লৌথোকখিবগী হেক নোংঙানবদা অলোক বর্মা ঙসি থবক্তগী রিজাইন তৌখ্রে হায়রি।



ইন্টরিম দাইরেক্তর নাগেশ্বর রাও · অলোক বর্মা · রাকেশ অস্থানা

১৯৭৯ বেটচ আই পি এস ওফিসার অমা ওইরিবা বর্মাবু ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা সি বি আই দাইরেক্টর ফমদগী দাইরেক্টর জেনরেল, ফয়ার সার্ভিস, সিভিল দিফেন্স এন্দ হোম গার্দসতা ট্রান্সফর তৌখিবনি। মহাকপু য়েঙথিবা সুপ্নগী মী অমখক্না মরান শিরকপা অরানবা য়ুমফম য়াওদবা ৱাফমশিংদা মহাকপু ট্রান্সফর তৌবনি হায়না অলোক বর্মানা হায়খি।

ঙরাং নুমিদাং অথেঙবদা পীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা অলোক বর্মানা অৱাংবা থাক্কী মফমশিংদা করপসনগী থৌদোকশিং থিংনবা থবক পায়রিবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমা ওইবনা সি বি আই অসি অনিংম্বা ঙাক্তুনা থমগদবা ইনষ্টিট্যুসন অমনি হায়খি।

অলোক বর্মাবু সি বি আই দাইরেক্টর ফমদগী লৌথোকখ্রবা তুংদা এদিসনেল দাইরেক্টর এম নগেশ্বর রাওনা ইন্টরিম সি বি আই দাইরেক্টর ওইনা ফম পুখ্রে অমসুং মহাক্না ওফিসারশিংবু জনুৱারি ৮দা লৈরম্বা হান্নগী ফিভমদা লোয়নমক হঞ্জিনহন্নবা অলোক বর্মানা লৌখৎলম্বা ট্রান্সফরগী ৱারেপ পূন্নমক ককথৎখ্রে।

মরকসিদা স্পিপসিয়েল দাইরেক্টর, সি বি আই রাকেশ অস্থানাদা পীরম্বা অফা–অপুনগী থবক্তগী ঙাকথোকপা অদু দিল্লি হায় কোর্টনা লৌথোকখ্রে। সি বি আই নম্বর ২ অসিগী মথক্তা শেঞ্জা–থুমজাগী কেসতা থিজিল্লগনি হায়না দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি হায়খ্রে।

স্পিপসিয়েল দাইরেক্টর রাকেশ অস্থানা, সি বি আই দিপুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট দেবেন্দর কুমার অমসুং ময়াই চবীনি হায়রিবা মনোজ প্রসাদকী মথক্তা লৈরিবা কেস অদু ককথৎপীয়ু হায়বদা জজ অদুনা য়াখিদ্রে, লোয়ননা মথক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংস চত্থবদা থিঙনবা অস্থানাদা পীরম্বা ঙাকথোক অদুসু কোর্ট অসিনা লৌথোকখি।

মিষ্টর অস্থানা অমসুং অতৈশিং অদুগী মথক্তা লৈরিবা কেস অদু চয়োল ১০গী মনূংদা মপূং ফানা থিজিনবা লোয়শিনবসু কোর্টনা সি বি আইদা খঙহনখি।

# বি জে পিগী নুমিৎ নীনিগী নেসনেল কাউন্সিল মীফম হৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১১ঃ*

বি জে পিনা লোক সভা মীখলগী কেম্পেনগী খোল্লাওগীদমক মীৎয়েঙ থম্লদুনা ঙসি পার্টি অসিগী নুমিৎ নীনিগী নেসনেল কাউন্সিলগী মীফম নুমিৎ –য়ুংবা মতূংদা হৌখ্রে।



মেম্বর লিশিং ১২ রোম শরুক য়াগনি হায়না পার্টি অসিনা অশা তৌরিবা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী চাওবা নেসনেল কাউন্সিল মীফম অদু বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত সহানা হৌদোকখি।

জেনরেল ইলেক্সন অদুগীদমক এজেন্দাগী য়ূমফম থোল্লদুনা হয়েং থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোয়শিনবগী ৱারোইশিন পীগনি।

লৈবাক্কী শেন –থুমগী ফিভমদগী হৌরগা সোসিয়েল জষ্টিস ফাওবগী তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্টকী মায় পাকখিবশিং অদু উৎথোক্তুনা ৱারেপ ৩ কাউন্সিলনা লৌরবা য়াই। লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফিভমদসু মরিক চুম্না নৈনরবা য়াই।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা পার্টি ওর্গনাইজেসনেল লূচীংবশিংগী মথক্তা এম পি শিং লোকেল বোদিশিংগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিংনা মীফম অসি য়াওরনবা পার্টিনা বার্তন তৌখি। কাউন্সিলগী মীফম অসিগীদমক পার্টিগী এজেন্দা খন্ননবা ঙরাং অমিত সহানা তাংবল লৌবা বি জে পি জেনরেল সেক্রেটরিশিংগী মীফম পাংথোকখি।

হন্দক কুইদ্রিঙৈদা পাংথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লি খরগী মীখলশিংদা ষ্টেট ৩দা শক্তি পায়রম্বা বি জে পিনা মায়থিবগী অচৌবা চৈফু নঙখিবা অদুগী মতুংদা জেনরেল কেটেগোরিদা শেন–থুমগী শোথরবশিংগীদমক গভর্ণমেন্টকী থবক চঙবদা অমসুং মহৈ–মশিং তম্বদা চাদা ১০ রিজাব তৌনবগী বিল অমা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা অদুনা গেরুৱা মচুগী পার্টিগী শোন্থরবা ৱাখল চাওখৎহনখ্রে।

চুন্নগী ফোরমেলিটি অমখক ওইনা প্রসিদেন্টকী অয়াবা ফঙলবা তুংদা এক্ট ওইনা চৎনরগদবা বিল অদুনা হিন্দি ঙাংবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা অপ্পর কাষ্টশিংগী পার্টিগী মরুওইবা ভোত অদু হেন্না চেৎশিলহল্লগনি অমসুং অতৈ কাংলূপ কয়াগী মতুংদা জাক, পাতিদার অমসুং মরাথানচীংবা পোলিটিকেলগী মরুওইবা কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা পার্টিসিবু পাম্বা হেনগৎহল্লগনি হায়না বি জে পিনা থাজরি।

# য়ু এস লূচীংবা কোলিসননা সিরিয়াদগী লান্মী লৌথোকপা হৌখ্রে

*হসাকেহা, জনুৱারী ১১ঃ*

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সিরিয়াদগী লান্মী লৌথোক্লবা লাওথোকখিবা থা ফাবাত্রিঙৈ সিরিয়াদা লৈবাক অসিগী লূচীংবা কোলিসননা লান্মী লৌথোকপা হৌখ্রে।



২০১৪দগী হৌনা আই এস আই এস গ্রুপকা লান্থেঙনরকখিবা ফোর্স অদু মশীং হন্থবা হৌখ্রে। অদুবু মওং অসি কদাই ফাওবা চত্থগদৌরিবনো শেঙনা খঙদ্রি।

য়ু এসনা লূচীংবা এন্টি–আই এস আই এস ফোর্সনা সিরিয়াদগী লান্মী লৌথোকপগী খোঙথাং হৌরে হায়না ফোর্স অসিগী ৱাঙাংলোই কর্নল সিন রিয়াননা ষ্টেটমেন্ট অমদা পাউগী এজেনসিদা ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংপোক সিরিয়াগী হসাকেহা প্রোভিন্সতা রমৈলান এয়ার ফিল্ডদা কোলিসনগী লৈরিবা লান্মী হন্থবা হৌখ্রে হায়না সিরিয়ান ওবজাভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খ্রে।

আই এস আই এসনা মখোয়গী খালিফেট শেম্নে লাওথোক্লকখিবগী মতূংদা গ্রুপ অসি পাকচাওনা শন্দোরকপা থিঙনবা ২০১৪গী ময়াই চল্লকপদা ফ্রান্স অমসুং বৃটেনগুম্বা লৈবাকশিং য়াওনা য়ু এসনা লূচীংবা কোলিসন অদু শেমখিবনি।

সিরিয়াদগী য়ু এসনা লূচীংবা কোলিসননা হন্দোকপা হৌখ্রবসু ইরাক–সিরিয়া ঙমখৈ পরিংগী মনূং হঞ্জিনবা লমদমশিংদা লৈরিবা দাই–হাদ আই এস আই এস কী মথক্তা চত্থরিবা লাল অমসুং মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না ফাবা নৎত্রগা হাৎপা পাল্লিবা আই এস আই এস কী অসুপ্পা লূচীংপুরেন অদু বাকর অল–বাঘাদাদি থিবগী থবক্তি মতম কক্তনা চত্থরবা য়াই।

# টেসলা বোস এলোন মস্কপু চিনাদা পর্মেনেন্ট সিটিজনসিপ পীখ্রে



*বৈজিং, জনুৱারী ১১ঃ*

টেসলা বোস এলোন মস্কপু চিনানা ‘গ্রিন কার্দ’ অমা পীখ্রে মসি হান্নগী এন বি এ ষ্টার অমা অমসুং নোবেল প্রাইজ ফঙলবা কয়া য়াওনা শক্লাইরবা ফোরেন্নর গ্রুপ অমনা ফঙবা খুদোঙচাবা অমনি।

পূংনৌ নৌবা অমা ওইনা মপান লৈবাক্তা টেসলাগী অহানবা ফেক্টরি অমগীদমক চিনাদা এলোন মস্ক লাক্লি চিনাদা কম্পেনি অসিগী ওভরসিজ ফেক্টরি অদুনা ইলেক্ট্রিক ভেহিকলগীদমক মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মার্কেট অসিদা হকথেঙননা গারী য়োনবা ঙম্লগনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়–প্রোফাইল ইন্ট্রোপ্রেনর অদুনা প্রেমিয়র লি কেকিয়াংগা উন্নখি অমসুং টেলসানা চিনাদা পায়খৎকে খল্লিবা থবকশিং খন্নখি হায়না লৈবাক অসিগী কেবিনেট ওইরিবা ষ্টেট কাউন্সিলনা হায়খি।

পাথোকপা ৱারোল অমগী মতূং ইন্না এলোন মস্কনা – টেসলাগী সাংহায় ফেক্টরিবু মালেমগী খুদম অমা ওইনা শানবা অশা তৌই, তসেঙনমক ঐহাক্না চিনাবু নুংশি। ঐনা মফম অসিদা হেন্না তোয়না লাক্লিংই হায়না প্রেমিয়র লিদা হায়খি। নহাক্না হায়রিবসি অশেংবমক ওইনা নংগী থম্মোয়দা লৈরবদি ঐখোয়না নঙোন্দা চাইনিজ গ্রিন্দ কার্দ অমা পীবা ঙম্মি হায়না লি টেকিয়াংনা পাউখুম পীখি। চাইনিজ গ্রিন্দ কার্দ অমা পীনবা চিনাগী প্রাইম মিনিষ্টরনা খূৎ লাম্থোক্লক্লিবা অদুগী মতাংদা টেসলানা মত ফোঙদোকউ য়াখিদে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা পাউ–চে চিনা দেল্লিগী মতূং ইন্না ২০১৬দা চাইনিজ পার্মিন্টে রেসিদেন্সি ওইবা ফোরেন্নর লিশিং ১০ হেনখ্রে। ক্লব অসিগী মেম্বরশিংগী মনূংদা ২০১৬দা কেমিষ্ট্রিদা নোভেল প্রাইজ ফঙখিবা দটচ সাইটিন্ট বরনার্দ ফেরিঙ্গা, হান্নগী এম বি এ ওল–ষ্টার ষ্টেফোর মরব্যুরি অমসুং নোভেল প্রাইজ ফঙবা ইকোনোমিষ্ট রোবাদ মুনদেলনচীংবা য়াওরি।

চাইনিজ গ্রিন্দ কার্দ অমা ফঙবা হায়বসি মালেমসিদা খ্বাইদগী হেন্না অরুবা থবকশিংগী মতূংদা অমনি হায়নৈ।

হান্ননা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ওইরবা অমসুং গভর্ণমেন্টনা ক্লিন টেক্নোলোজিসতা চঙশিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মখা তানা চাওখৎলকখিগদৌরিবা ইলেক্ট্রিক–ভেহিকল সেক্টরগী সিয়ারশিং ফঙনবা লৈবাক মনূংগী অমসুং মপান লৈবাক্কী ওটোমেকরশিংনা কন্না লমজেন তান্নরক্লিবনি।

চিনাদা লিঙখৎকদৌরিবা টেসলাগী অনৌবা প্লান্ট অসি শাগৎপা লোয়রকপদা চহিদা গারী লাক্ষ ৫ পুথোকপগী কেপাসিটি লৈগনি হায়না কালিফোনিয়াদা লৈবা কম্পেনি অসিনা হায়খি।

# মীয়ামগী মায়োক্তা থবক চত্থরক্লবদি খুদোঙথিবা ময়োক্লগনি হায়না পরেশ বরুৱানা অসাম চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালদা ৱার্নিং তৌখ্রে



*গুৱাহাতি, জনুৱারী ১১ঃ*

মমিং চৎলবা অসামিজ ইন্টিলেকচুয়েল হিরেন গোহাইনগী মথক্তা পুলিস কেস লৌখৎলকপগীদমক অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱাল অমসুং বি জে পি গভর্ণমেন্টতা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম–ইন্দিপেন্দট (উলফা–আই)গী কমান্দর–ইন–চীফ পরেশ বরুৱানা ৱার্নিং তৌরকখ্রে।

অসামগী মীয়ামগী অনীংবগী ময়োক্তা থবক তৌবা তোক্ত্রবদি খুদোঙথিবা ফিভমশিং ময়োক্লনবা থৌরাং তৌরো হায়না চীফ মিনিষ্টরদা লালহৌবা লূচীংবা অদুনা কীহলকখি।

চীফ মিনিষ্টর সোনোৱাল অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টপু অসামিজ মীয়ামগী হকশিংগীদমক ৱা ঙাংলিবা ইন্টিলেকচুয়েলশিংগী খোল্লাও নমথনবা হোৎনদনবসু মহাক্না খঙহনখি।

করিগুম্বা চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা অসিগুম্বা এন্টি–অসামিজ ওইবা থবকশিং অসিদগী তোক্ত্রবদি মহাক কীনীংঙাই ওইবা মহৈশিং অদু ফঙবা তাবনি হায়না লোকেল টিভি চেনেল অমগী ফোনদা ৱারী শানবগী থৌরম অমদা বরুৱানা হায়খি।

ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা অসাম পুলিসনা কৃসক মুক্তি সঙ্গ্রাম সমিতি লূচীংবা অখিল গোগোই, এক্টিভিষ্ট অমসুং জর্নেলিষ্ট মঞ্জিত মহনতানৎতনা হিরেন গোহাইনগী মথক্তা সেদিসনগী কেস অমা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা গুৱাহাতিদা মীয়ামগী মীফম অমদা গোহাইনা ঙাংখিবা ৱারোলশিংগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা কেস অদু লৌখৎলকখিবনি। শক্নইরবা ইন্টলেকচুয়েলশিং রাটরশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংগী ফম্বাক অমা ওইরিবা অসোম বসাওকনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা গুৱাহাতি ক্লবতা ধিক্কার দিবস (কন্দেমনেসন দে) হায়না সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬গী ময়োক্তা থৌরম পাংথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গোহাইননা, অসামগী মীয়ামগী দিমান্দশিংদা করিগুম্বা সেন্ট্রল গভর্ণমেন্টনা করিমতা নাচুঙদনা লৈবা তারগদি নীংতম্বা অসামগী দিমান্দ তৌনরক্কনি হায়খিবনি। ৱাফম অসিগী য়ুমফমদা লাতাসিল পুলিস ষ্টেসননা মহাক্কী মথক্তা আই পি সিগী সেক্সনশিং ১২০ বি, ১২১, ১২৩, ১২৪ এ (সেদিসন)গী মখাদা কেস লৌখৎখিবনি।

# অঙাং পোকপদা নর্সনা কনমন্না চিংথোকপদগী নৌরবা অঙাং অদু তৎতুনা মকোক অদু মমাগী অঙাংখাও মনূংদা লৈহৌরে

*রামগড়, জনুৱারী ১১ঃ*

রাজস্থানদা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা লৈবা নর্স অমনা মীরোনবা থা শুরবী নুপী অমগী অঙাং অমা পোকপদা নৌরবা অমসুং পীক্লবা অঙাংগী হকচাং অদু কনমন্না চীংথোকপদগী অঙাং অদু তৎতুনা মহাক্কী মকোক অদু মমাগী অঙাংখাও মনূংদা লৈহৌরে।

ওহোক্লা মওং তাদবা অমসুং অঙকপা থৌদোক অসি জাইসালমরদা লৈবা রামগড় হেল্ঠ সেন্টরদা চয়োল অসিগী অঙনবদা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিদা হেন্না নুংঙাইত্রিবদি ক্রাইম অদু নুপা নর্স অদুনা অমসুং মাগী কাংবু অদুনা লোৎশিন্দুনা থম্নবা হোৎনখি।

য়ান্না কিনীংঙাই ওইবা অরুবা অঙাং পোকপগী থবক অমা শোয়খিবা অদুগী মতূংদা অমৃত লাল কৌবা নর্স অদুনা ঝুঝার কৌবা অতোপ্পা নর্স অমগী মতেঙ লৌখি অমসুং অঙাং অদুগী মকোক অদু মমা অদুগী হকচাং মনূংদা লৈহৌরে হায়বদু কনামত্তদা খঙহন্দনা অঙাংগী হকচাং অদু মোর্চ্যুৱারিদা থমজিনখি।

মখা তাবা লায়েঙ চত্থবদা ডোক্টর তিম অমনা মমা অদু অমুক হন্না ওপরেসন তৌবদা অঙাং খাও মনূংদা অঙাং অদুগী মকোক লৈরম্বা থেঙনখিবনি হায়রি। নুপা নর্স অনী অদু থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রে। দোক্তর ওন দ্যটি ডা. নিখিল শর্ম ফমদগী লৌথোকখ্রে অমসুং এ পি ও (এৱেটিঙ পোষ্টিং ওর্দর) দা থমখ্রে হায়না জৈসলমরগী চীফ মেদিকেল এন্দ হেল্ঠ ওফিসার ডা. বি এল বঙ্করনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা ইনক্কারি অমা চত্থনবা অমসুং মদুগী রিপোর্ট চয়োল অমগী মনূংদা থাগৎলক্নবা ওর্দর তৌখ্রে। মমা অদু উমাইদ হোস্পিটালদা ফিভম ফনা লৈরি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-11**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | | | | | 1 | 8 |
| 8 | 3 | | | | 1 | 2 | | |
| 6 | 1 | 2 | 9 | | | | | |
| | | 1 | 5 | | | | 9 | 2 |
| 2 | | | 8 | | 6 | | | 3 |
| | 9 | | 1 | 3 | | 8 | | |
| | | 8 | | 2 | 9 | 3 | | |
| | | | | 7 | 8 | | | 1 |
| | 2 | | | 1 | | | 8 | |

**সনা–সুদোকু –১০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 | 3 |
| 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 6 | 5 | 1 | 2 |
| 5 | 1 | 6 | 2 | 9 | 3 | 7 | 8 | 4 |
| 6 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 4 | 2 | 7 |
| 3 | 8 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 9 | 5 |
| 7 | 2 | 1 | 4 | 5 | 9 | 6 | 3 | 8 |
| 2 | 9 | 7 | 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 1 |
| 1 | 3 | 8 | 9 | 4 | 7 | 2 | 5 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 2 | 1 | 3 | 7 | 9 |

# ট্রম্পনা ঙমখৈদা পাকিষ্টানি কয়া ফাই হংখ্রে

*ৱাসিংতন, জনুৱারী ১১ঃ*

মেক্সিকোগা লোন্নবা য়ু এসকী কন্না চেক তৌদবা ঙমখৈ লানশিন্নবা খা এসিয়া লৈবাক কয়াদগী মীওইশিংনা হোৎনরকখি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা হায়রকখিবগা মহাক্না টেক্সাসতা খা থঙবা ঙমখৈদা চৎপা খোঙচৎ অমদা চয়োল অসিগী অঙনবদা অমেরিকাদা আইনগী ৱাংমদা চঙশিন্নবা হোৎনবা পাকিষ্টানি কয়া ফাখ্রে হায়না মরিলৈনবা ওফিসিয়েল অমদা হংখ্রে।

ঙমখৈদা লৈবা আই ঙাকপগী থবক তৌবা ওফিসিয়েল অমনা প্রসিদেন্টতা ঙমখৈগী চাওরকপা সেক্যুরিটিগী ফিভম পাউদম্বা অমসুং নোংমগী মমাঙদা ঙমখৈ অদুদা ফাখিবা মীওইশিংগী মমিং উৎখিবা মতমদা মহাক্না পাকিষ্টানগী ৱাহং অদু হংখিবনি।

মদুদা ওফিসিয়েল অদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৪৫দগী মী ১৩৩ ফাখি। মদুগী মনূংদা ইন্দিয়াদগী অমসুং পাকিষ্টানদগী য়াওই হায়খি।

মদুদা পাকিষ্টানদগী কয়ানো হায়না অমুক্তা হন্না হংবদা ওফিসিয়েল অদুনা ঙরাং ২ ফাখি হায়না খুমখি।

# দ্রগ–গেংশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা য়ু এস–মেক্সিকো ঙমখৈদা মীওই ২১ শিখ্রে

*মেক্সিকো সিটি, জনুৱারী ১১ঃ*

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোন্না চৎকদৌরিবা মফমগী মনাক্তা লৈবা টাউন অমদা দ্রগ –গেংনা নোংমৈ কাপ্পদা য়ু এস –মেক্সিকো ঙমখৈদা হকচাং ২১ ফঙলে হায়না ঙরাং মেক্সিকান ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

শাথিনা মৈ চাক্লবা য়াওনা হকচাংশিং অদু টেক্সাসকী মেক এলেনদগী কিলোমিটর ২৭০ রোম লাপ্পা ঙমখৈ টাউন মিগুৱেল এলরমেনদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থেঙনখিবনি।

য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা য়েংথিনবা দ্রগ–গেং খূৎপুদুগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নরকখিবা মরক্তা মীওই ২১ শিখি হায়না ঐখোয়না তাবা ফঙখি হায়না টমাওরিপাস ষ্টেটকী সেক্যুরিটিগী ৱাঙাংলোই ল্যুইস অলবর্টো রোদ্রিগুয়েজনা মেক্সিকান টিভি ন্যুজ চেনেল মিলেনিওদা হায়খি।

য়ু এস ঙমখৈদা মখোয় মখোয়গী খ্বাইদগী খুদোঙচাবা মফম মুন্নবদা য়েংথিনবা দ্রগ কারটেল মশেল অমগা–অমগা খূৎ থোক্নদুনা মেক্সিকোদা টমাওরিপাসনা খ্বাইদগী হীংশা থোকপা ষ্টেট ওইরি।

মেক্সিকোনা লৈবাকসিগী শক্তি লৈরবা দ্রগ কারটেলশিং থেঙননবা ২০০৬তা আর্মি শিজিন্নখিবা মতুংদগী ২০১৭দা রেকোর্ড ওইনা মী ২৮৭১১ য়াওনা ২,০০,০০০ হেন্না শিখ্রে।

# থাগী অমম্বা নাকনগী অহানবা ফোতো থারকখ্রে

*বৈজিং, জনুৱারী ১১ঃ*

মমাঙদা কনাগুম্বা অমত্তনা খোঙদাখিদ্রিবা ‘থা’গী অরাপ্পা, অমম্বা নাকন হায়না খঙনরিবা মফম অদুদা লেন্দিং তৌখিবা ইহান হানবা চিনাগী লুনার এক্সপ্লোররনা অহানবা ময়েক শেঙলবা ফোতোশিং থারকখ্রে হায়না ঙসি চিনানা লাওথোকখ্রে। চাং ‘ই–৪ মিসননা জনুৱারী ৩দা থাগী মফম অদুদা লেন্দিং তৌখিবনি।


**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 21/SDC/B/IE/2019*

1. Tensubam Benar Meitei S/O Ibobi Meitei of Ningomthong Kitna panung.
2. -do- Outora Meitei S/O -do- of -do-.
3. -do- Kubera Meitei S/O -do- of -do-.
4. -do- Somorjit Meitei S/O Shamu Singh of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Tensubam Gourachand Singh S/O (L) Tolpishak Singh of Kitna panung.

***-Pattadar.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 11th, January 2019*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৭– কীতনা পনুং পট্টা নং ৬৮ অনৌবা দাগ নং ৫৫ মোট এরিয়া ০.৩৩ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার তেনসুবম গৌরাচন্দ সিংহ পীং মৃঃ তোলপীশক সিংহ সাং কিতনা পন্নুংদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

SL/BILL(R)/12(B)

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 20/SDC/B/IE/2019*

Laishram Ibotombi Singh. S/O (L) L. Tomba Singh of Thongju

***- Petitioner***

***-Vrs-***

Laishram Tomba Singh S/O Anganghal of Thongju

**NOTICE**

*Bashikhong , the 11th, January 2019*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়ামগৈ পট্টা নং ৩০৯ অনৌবা দাগ নং ১৩৩৯, ১৩৪৩ অমসুং ১৩৪৬ মোট এরিয়া .৬৬+.৪০+.২০ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার লাইশ্রম তোম্বা সিংহ পীং অঙাংহল সাং থোংজুদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

SL/Bill(R)/12(A)

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East